# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, April 04, 2021, Imphal

Page 11




ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৰারীদা ওলিম্পিক্স ২ শরুক য়াদুনা মেদল ফংখবা লোয়ননা কমনৱেল্থ গেমসতা থংন-থংনবা গেমস ৩ মেদল লৌবা ঙমখ্রবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রেষ্টলর ওইরিবা স্পোর্টস ষ্টার ওলিম্পিক স্পোর্টস স্পোর্টসমেন ওফ দি দিকেদকী মনা ফংখ্রবা সুশিল কুমার

চেছ মশান্নদা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর জু ৱেনজুনবু নমথরগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবী স্পোর্টস ষ্টার এসেসকী নন-ওলিম্পিক স্পোর্টস স্পোর্টসৱিমেন ওফ দি দিকেদকী মনা ফংখ্রবী কোনেরু হমপি



## চেলসি ৱেষ্ট ব্রোমৱিচকী মখূৎতা ২-৫দা মায়থীখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেলসি ফুটবোল ক্লব ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৫দা চাওনা মায়থীবা নংখ্রে।

চেলসিনা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোমগ্রাউন্দ ষ্টামফোর্দ ব্রিজদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা চেলসিনা হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ন পুলিসিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইরমদাই ফাওবা পাঞ্জল অদুনা মাঙজিল থাখি।

হাফ অদুগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী মেথিয়স পেরৈরানা টিমমেট সাম জোনষ্টোনগী পাস অমদা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। অদুগা মখা তাবা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অদুগী ৪শুবা মিনটতা মেথিয়স পেরৈরানা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ১গা চল্লগা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা চেলসিবু মখোয়না ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৮ চঙশিল্লকপদা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচকী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা কালম রোবিন্সননা টিমমেট দার্নেল ফর্লোংনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-১দা মখোয়না চেলসিবু হেনখি। মিনট ৫গী মনুংদা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা মেথিয়স পেরৈরাগী পাস অমদা মায়ে দাইগনেনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৪-১দা মাঙজিল থারগা মায় পাকপগী লম্বেল অদু নকশিনখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা চেলসিগী মেসন মাউন্টনা পাঞ্জল ১ চনখি। অদুবু শান্নবা লোইবগী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচকী কালমনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৫-২দা থোইখি।

## ভিল্লারিয়ালনা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): স্পেনগী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ভিল্লারিয়ালনা গ্রানাদাবু ৩-০দা থোইখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা ভিল্লারিয়ালগী পাঞ্জল অহুম্মক জেরাদ মোরিনোনা চনখিবনি।

মেটচ অদু গ্রানাদানা য়ূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোমগ্রাউন্দ নিভো লোস কার্মেন্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। মেটচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ ৯শুবা মিনটতা ভিল্লারিয়ালগী মায়কৈদগী মেটচ অদুদা হেটট্রিক চনবা ঙমখিবা জেরাদ মোরিনোনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

লালিগাগী ওইনা পোইন্ট টেবলদা ভিল্লারিয়ালগী টিম অসি মমাংগী রাউন্দ ২৮ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪৩ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, গ্রানাদানা মেটচ ২৮দা পোইন্ট ৩৬ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মখা চথরকপা ১৮শুবা মিনটতা ভিল্লারিয়ালগী মায়কৈদগী মেন্যুএল ট্রিগেরোজনা পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জেরাদ মোরিনোনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা গ্রানাদাবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফকী মিনট ১৫ চঙশিল্লকপা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা ভিল্লারিয়ালগী অতোপ্পা এটেক অমদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা জেরাদ মোরিনোনা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি ক্লব অদুমক্কীসু ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-০দা মেটচ অদু মখোয়না থোইবা ঙমখি। লীগ অসিদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মেটচ ২৮ শান্নখিবদা পোইন্ট ৬৬ ফংলগা খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা রিয়াল মাদ্রিদতগী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা লৈরি।

## এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ থোইখ্রে

বর্লিন, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু বুন্দেসলিগাগী ২৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

বর্লিনগী সিগ্নেল ইদুনা পার্কতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা চথরকখিবা এটেক অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী দিফেন্দর নিকো স্কুলসনা শোয়বদগী মহাক্কী গোল পোষ্ট মনুংদা বোল অমা থকচিঞ্জখিবদগী ওন গোলদা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা পাঞ্জল ১ শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা ফংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী মখা চথরকপা অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা মেটচ অদুগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। অদুবু অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী ইমরে কাননা পীরকপা বোল অমদা মেটস হামেলসনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ টিম অনীমক পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকখি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট মেটচ ২৬ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দসু মেটচ ২৬তা পোইন্ট ৪৩ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনবদা পাঞ্জল অমমম্ মান্নদুনা লৈরম্বদগী মখা তাবা লম্বাদা পাঙ্গল মান্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবা অদু ৮৭শুবা মিনটতা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী ফিলিপ কোষ্টিকনা পীরকপা বোলদা এন্দ্রি সিলভানা গোল চন্দুনা ২-১দা মেটচ অদু থোইখি।

## অটলান্টা মায় পাক্তুনা টেবলগী মকোক থোংনবা হোৎনরি

রোম, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): ইটালিদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা অটলান্টানা উদিনিজপু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক য়ৌননবা কন্না হোৎনরক্লি।

রোমদা লৈবা জেৱিশ ষ্টেদিয়মদা অটলান্টানা য়ূম্বু ওইরগা উদিনিজকা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অঙনবা শরুক শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা অটলান্টাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা মাটিও পেসিনানা পীরকপা বোল অমদা লুই মুরেলনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা উদিনিজপু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

উদিনিজকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেক পূম্নমক কান্নবা ফংদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৪৩ শুবা মিনটতা অটলান্টাগী রস্লান মালিনোবস্কিনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা লুই মুরেলনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি। হাফ অদুগী অরোইবা মিনটতা উদিনিজকী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরকখিবগী কান্নবা অদু রোবর্টো পেরেরানা টিমমেট নাহুল মোলিনানা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ১-২দা শোথরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১৬ চঙশিল্লকপদা অটলান্টাগী মখা তারকপা এটেক অমদা রস্লান মারিনোবস্কিনা অমুক হন্না পীখিবা বোল অমদা টিমমেট দুবান জ পাটানা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মিনট ১০গী মনুংদা উদিনিজকী মোলিনানা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা ষ্ট্রাইগর লার্সেননা ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-৩দা মখোয় মায়থীবা নংহৌখি।

## বি সি সি আইনা জুন-জুলাই থাদা চহী ১৯ মখাগী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবা শিল্লি



মুম্বাই, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মমাং থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ৈথোকখ্রবা চহী ১৯ মখাগী ইন্টর ষ্টেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু চহী অসিগী জুন অমসুং জুলাই থাদা পাঙথোক্লনবা শেম শারি হায়না বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরব গঙ্গুলিনা ফোঙদোকখ্রে।

বি সি সি আইনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী য়ুনিটশিংদা ইখিবা চেরোল অমদা করিগুম্বা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী ফিভম অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবদি টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়খি। চৎলিবা সিজন অসিদা বি সি সি আইনা য়ারিমখৈ মশিং য়াম্না দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী টুর্নামেন্ট পুন্নমক পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়না চেরোল অদুদা পনখি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা শিল্লিবা বাইও ববলগী প্রোটোকোলশিং অসি ঙাক্লা চৎলিবা শান্নরোয়শিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মখাতানা লৈঙাক্কী প্রোটোকোলশিং অসি ঙাক্লা চৎসি হায়খি। সিজন অসি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট পুৰারীদা য়াম্না ফজবা চহী অমা ওইখি। ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ওভরসিজ সেরিজদা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা লোয়ননা ইন্দিয়াদা ইংলেন্দনা লাক্তুনা শান্নখিবা ক্রিকেট মশান্নগী ফোর্মেট অহুম্মত্তা সেরিজ মায়পাকপা ঙমখিবনি।

ইন্টর্নেসনল অমসুং দোমেষ্টিক শান্নরোয় খুদিংম্মকপু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মসিদসু নত্তনা বি সি সি আইগী সপোর্ট ষ্টাফ খুদিংম্মকপুসু মখোয়-মখোয়গী মায়কৈদগী হোৎনরিবা থবকশিং অদুবু শিংথাবা উৎলি হায়না মমাংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্টেনসু ওইরম্লবা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মোনাকোনা মেটজপু য়াম্না হেন্দুনা ৪-০দা থোইবা ঙমখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩১ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মোনাকোনা মেটজপু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মোনাকোনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোমগ্রাউন্দ লুই সেকেন্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা য়াম্না লম্বা মান্ননা লৈখি। মোনাকোগী টিম ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা রাউন্দ ৩০ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫৯ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, মেটজকী টিমনা পোইন্ট ৪২ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা মোনোকোগী সেক ফাব্রিগাজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ২গী মনুংদা টিমমেট কেবিন ভোলাননা ইলিওট মাটাজোনা পীরকপা বোলদা শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটজকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ মোনাকোগী কাইয়ো হেনরিকনা পীরকপা বোলদা ৱিসম বেন য়েদরনা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৩-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা মোনাকোগী ৩শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ৱিসম বেন য়েদরনা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটজপু মখোয়না ৪-০দা থোইবা ঙমখি। মায় পাকপা অদুনা মোনাকোগী টিম মেটচ ৩১দা পোইন্ট ৬২ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি। লিলনা পোইন্ট ৬৬তা মকোক থোংলি। অদুগা পি এস জিনা পোইন্ট ৬৩দা ২শুবদা লৈরি।

## মেদল লৌরক্তুনা মণিপুরগী মায় পুরকখ্রবা লমজেল্লোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস): এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই)গী মীৎয়েং মখাদা চান্দিগর এথলেটিক্স এসোসিএসন (সী এ এ) চানি দগরনা শীন্দুনা মমাং থাগী ২১দা চান্দিগরগী এ টি এস গোল্ফ মীদোজদা পাঙথোকখিবা নেসনল ক্রোস কন্ট্রি চেম্পিয়নশিপ এথলেটিক্স মীট ২০২১দা মেদল লৌরক্তুনা মণিপুরগী মায় পুরকখ্রবা লমজেল্লোয়শিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

সোরা এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা সোরা কৈথেলদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন ওফিসতা পাঙথোকখিবা ক্রোস ইন্দিয়াদা শরুক য়ারুবা এসোসিএসন অসিগী লমজেল্লোয় ওকপগী থৌরম অদুদা, ককচীং জিল্লা পরিষদকী উপ-অধক্ষ্য এম দি নজিমুদ্দিন, পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি মুকিমুদ্দিন, ইরেংবন্দ জি পিগী প্রধান এম দি বাদুর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম দি নুর সাফি, লাংমৈদোং জি পিগী পঞ্চায়ট সেক্রেটরি এম দি নাজির খান অমদি সোরা এথলেটিক্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দি সৈদুর রাহমননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা ককচীং জিল্লা পরিষদকী উপ অধক্ষ্য এম দি নজিমুদ্দিননা হায়, অফবা শান্নরোয় লৈরবা খক্তদা লমদম অসিগী মীয়াম মশা-মউ ফনা অমদি তংদু লৈতানা লৈরবা খুন্নাই অমা শেমগদৌরিবনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিদা সোরাগী শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবশিং তাকপী-তম্বীনবগীদমক্তা লুপা লাখ ১ কায়থোক্লগা থম্লে হায়না লাউথোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা ক্লব অমত্তনা হংলদবা অসি লাইবক থীবনি। অফবা শান্নরোয়শিং পুথোকমিন্নদুনা তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা শেম্মিন্নরসি লোয়ননা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা কথোক্লিবা শেনফম অসি কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবীয়ু হায়না মহাক্লা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

ঙসি তরাম্না ওকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি সোরাদগী এম দি বদারুদ্দিন অপোকপা মুইনুদ্দিন, মহাক্লা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অন্দর ১৬তা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ১০০ মিটর অমদি ৩০০ মিটরদা ষ্টেটকী থাক্তা অহানবা পোজিসন অদুগা নেসনলগী ওইনা ১৭শুবদা, অন্দর ১৮ কেটগোরিগী ৩০০০ মিটর অমদি ১৫০০ মিটর ষ্টেট লেভেলগী ওইনা মথংশীৎনা অহানবা অমদি অনীশুবা অদুগা নেসনলগী ওইনা ৩৭শুবা পোজিসন তারকখ্রবা সোরাদগী এম দি অব্দুর রাজাক অপোকপা এম দি অব্দুল গাফর অমসুং ওপন কেটগোরিদা ষ্টেটকী ওইনা ২শুবা পোজিসন লৌরকখ্রবা ককচীংদগী এফ প্রেমকুমার অপোকপা এফ শান্তিশোর বিজোয়পুরনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সোরা খুঙ্গংগী অহল ওইরবশিংদসু অচম্বা খূদোল তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।


NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS

HOPE FOR FUTURE

Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2


## সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ থা অসিগী ১৯দগী হৌরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী এন্ট্রি ফোর্মশিং অদু লুপা লিশিং ৩ পীরগা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবা য়াগনি হায়রি। ক্লবশিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদু সী আর এস (সেন্ট্রল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টম)দা এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি হায়রি। লোয়ননা শরুক য়াগদবা ক্লবশিংগী মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম অদুনা অম্ফাগী ওফিসতা এপ্রিল ১৫গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদু কুমজা ২০০৫গী জন্যুৱারী ১ নৎত্রগা মতুংদা পোকপা নৎত্রগনা কুমজা ২০০৭কী দিসেম্বর ৩১গী মমাংদা পোকপা শান্নরোয়শিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কেটগোরি টু নেসনল রেফরিদা অপগ্রেদ তৌবগী এগজাম য়াওনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস): মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা লৈবা এল এন আই বি ঈদা চহী অসিগী মে ৮ অমসুং ৯দা কেটগোরি টু নেসনল রেফরিদা অপগ্রেদ তৌনবা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসনদা মণিপুরগী রেফরি ৫না শরুক য়াগদবনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরকপা মেমোরেন্দম অমদা খঙহল্লক্লি।

কেটগোরি টু নেসনল রেফরিদা অপগ্রেদ তৌননবা মণিপুরদগী খনগৎলবা নুপা এসিষ্টেন্ট রেফরি অমসুং নুপী রেফরিশিং অদুদি মথোটমি রোনরা শিমরে, এম দি অনুশ খান, এম দি নিশর অলম, লভজয় হোরাম অমসুং রোশনি মাইবম চনুনি। ওফিসলশিং অসিনা মখা তাবা ঈ-পাউ লৌনবগীদমক অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিদগী ফংবা য়াগনি হায়রি।

অতোপ্পা অম্ফাগী চেরোল অমদা চৎলিবা থা অসিগী ৩শুবা চয়োলদা ২শুবা চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী ইন্টর ক্লবস ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথোক্লে হায়রি।

## ফ্লদ লাইট খূদোল তমখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ খোংনাং মখোঙদা লৈবা পব্লিক ক্লবকী গ্রাউন্দদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা খাগোকপম খম্বনা শান্ন-খোৎনববু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ক্লব অদুদা নুমিদাংগী মতমদা শান্নবা য়াননবা ফ্লদ লাইট সিষ্টম খূদোল তমখ্রে।

ফ্লদ লাইট খূদোল তম্বগী থৌরম অদুদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা, শান্ন-খোৎনবগী লম্দা খুরাইগী মায়কৈ অসি তোপ-তোপ্পা মফম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় কয়া লৈরিবা মফম অসিদা শান্নবুংশিং শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না থমখি।


পব্লিক ক্লবকী গ্রাউন্দদা ফ্লদ লাইট খৎশিন্নখিবগী থৌরম অদুদা ক্লব অদুগী এদভাইজর কে এস ঐচ রাজেন অমদি এল মঙলেমসু শরুক য়াখি। খুরাই এ সীগী মীরেপ ওইগদৌরিবা খাগোকপম খম্বনা পব্লিক গ্রাউন্দ অদুদা ফ্লদ লাইটকী খূদোংচাবা লৈহনখিবা অদুগী অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দগী শরুকশিংদা নুমিদাংগী মতমদা শান্নবা য়াহন্নবা খূদোংচাবা পীখিবনি।

ফ্লদ লাইট খূদোল তম্লবা মতুং পব্লিক গ্রাউন্দ অদুদা ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নখি। কে ঐচ খম্বনা মখা তাখিবদা, মফম অদুদা অহেনবা শান্নরোয়শিং পুথোকপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। শান্ন-খোৎনবগী অচৌবা মফম অমা ওইনবগী পান্দম অমগী মখাদা মহাক্লা পব্লিক ক্লবকী গ্রাউন্দদা ফ্লদ লাইট অসি হাপ্পনি। শান্নবনা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈহনবতা নৎতনা মশা-মউ ফনা লৈহল্লি অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগীসু নহা ওইরিবশিংবু লাপ্পা লৈহনবা ঙল্লি। খুরাই এ সীদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং হেন্না পুথোক্লবা মহাক্কী ওইবা পান্দম অমগী মখাদা ফ্লদ লাইট হাপ্তুনা নুমিদাংগী মতমদা শান্নবা য়াননবা হোৎনবগা লোয়ননা অহেনবা শান্নরোয় পুথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

## অম্ফানা চহীগী রিন্যুএল ফী পীথোক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোক্লকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা চহীগী ওইবা লুপা লিশিং ৫গী রিন্যুএল ফী অদু চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্লবা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 69**

**GM Navara,D (2697) - FM Mathieu,Phileas (2240)**

**European Online CC GpB Tornelo INT, 2021.03.28**

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 c5 | 3.d5 b5 |
| 4.cxb5 a6 | 5.bxa6 g6 | 6.Nc3 Bg7 |
| 7.e4 O-O | 8.e5 Ne8 | 9.h4 d6 |
| 10.h5 Nd7 | 11.hxg6 hxg6 | 12.e6 fxe6 |
| 13.dxe6 Ne5 | 14.f4 Nc6 | 15.Nf3 Nd4 |
| 16.Ng5 Nc7 | 17.Qd3 Ncxe6... | |

**QUESTION :**

**White wins in 3 moves**

**Puzzle 68 Ans. :**

**27.**a3 Qf5+ **28.**Ka1 Bxb2+The black bishop decoys White's king. **29.**Kxb2 Qc2+ **30.**Ka1 Qa2#